# সিজ ফয়ার য়ৌদবা মণিপুরদা

## আই-এমগী অরোনবা কেম্প লৈরি

## এ আরনা আই-এমগী কেম্পশিং কোয়শিল্লুরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ*** অসাম রাইফলসকা এন এস সি এন (আই-এম) গা অনিগী মরক্তা চাওনা মুক্নরকপদগী *সিজ ফয়ার এক্সটেন্সন* য়ৌদবা ষ্টেট অসিগী চীংগী ডিষ্ট্রিক্ট মরীদা লোন্না ওপরেট তৌশিল্লন্বা নাগা লালহৌলূপ অসিগী অরোনবা কেম্পশিং এ আরনা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থল্লুরে হায়রি।

হন্দক মরক অসাম রাইফলসনা নাগেলেন্দগী মনুংদা সিজ ফয়ার গ্রাউন্দ রুল ৱাংমা লান্না ওপরেট তৌবা আই-এমগী কাডরশিং অমদি মচেৎ তারবা নাগা  মিলিটেন্ট গ্রুপ  এন এস সি এন (খোলে-কিতোতি) গী কাডরশিং খূৎলাইগা কোন্না মথং-মথং ফাগৎলকখিবা অদুগী লমন শিংবা ওইনা আই-এমনসু এ আরগী জে সি ও (জুনিয়ার কম্মিসন ওফিসার) অমা য়াওনা পার্সোনেল অহুম খূৎলাইগা কোন্না ফাজিল্লুবদগী এ আরগা চাওনা মুক্নরক্তুনা ডিমাপুরদা লৈবা আই-এমগী জেনরেল হেডক্কার্টরস ওইরিবা হেব্রোন কেম্প কোইশিন্দুনা থল্লুখিবনি।

এন এস সি এন (আই-এম) গা মুক্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি মখা তানা সিজ ফয়ার এক্সটেন্সন য়ৌদবা মণিপুরগী ডিষ্ট্রিক্ট মরি হায়বদি তমেংলোং, চান্দেল, সেনাপতি অমদি উখ্রুলদা তকথোকপা ঙমদনা লৈশিল্লন্বা আই-এমগী কেম্পশিং অদু ফাওবা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থমখিবনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, তমেংলোংদা লৈবা এন এস সি এন (আই-এম) গী *এপ পি বট্টালিয়ন* কেম্প, চান্দেলগী *এ সি বট্টালিয়ন*, সেনাপতিগী *হুথ্রোং বৃগেড* অমদি উখ্রুলগী *কিশিমুং বট্টালিয়ন*  হায়না খঙনরিবা *অরোনবা কেম্প*-শিং অদু ডিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা ওপরেট তৌরিবা অসাম রাইফলস অমদি ডোগ্রাগী লান্মীশিং চংশিন্দুনা আই-এমগী কাডরশিং অদুনা লৈরিবা মফমশিং অদু কোর্ডোন তৌশিন্দুনা থমখি। আই জি এ আর (এস) কী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনদি এ আরনা আই-এমগী কেম্পশিং কোইশিন্দুনা থন্বগী ৱাফম লৈতে। হন্দক চুড়চান্দপু ডিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট সব-ডিভিজনগী মনুং চনবা  জৌ খুনুৱম খুলদা ‘পি এল এ’ না এ আরনা এটেক তৌরকখিবা অদুগী চেকশিন থৌরাং লৌখিৎপা ওইনা এরিয়া দোমিনেসনগীদমক আর ও পি (রোড ওপনিং পেট্রোল) ওইনা চৎখিবদি লৈ হায়না ফোংদোরক্লি।

মরকসিদা অসাম রাইফলস অমদি আই-এম অনিগী মরক্তা মুক্নরক্লিবা অসিগী মতাংদা মিনিস্ত্রি ওফ হোম এফিয়ার য়ৌনবদগী ঙসি অথেংবদা ডিমাপুরগী হেব্রোন কেম্পতা এ আরনা কোইশিন্দুনা থল্লন্বা অদু হন্দোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী চীংগী ডিষ্ট্রিক্ট মরিদা লৈরিবা আই-এমগী অরোনবা কেম্পশিং অদুদগীসু লান্মীশিং হন্দোক্নরকখ্রে হায়নসু অতোপ্পা পাউগী লিখুল অমনা হায়রি। অদুম ওইনমক অসাম রাইফলস অমসুং এনএসসিএন (আইএম) অনিগী মরক্তা মুক্নবা অদুদি লৈরি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি,উখ্রুলগী শিরোইদা এন এস সি এন (আই-এম) না লোন্না শাজিল্লন্বা কেম্প অমা এ আরনা মতম শাংনা কোইশিন্দুনা থল্লন্বা মতুং মফম অদুদগী হনে দাকহনখিবগী থৌদোক মমাংদসু লৈখ্রবনি। অদুবু  সিজ ফয়ার এক্সটেন্সননা কোনশিন্দবা মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা মতৌ করম্না আই-এমগী কেম্পশিং হাংদোক্তুনা ওপরেট তৌরম্লিবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

অতোপ্পা পাউ অমদনা, ঙরাং এনএসসিএন (আইএম)না মখোয়গী হেব্রোন কেম্প এরিয়াদা চংশিল্লকপা অসাম রাইফলস পার্সোনেল মঙা ফাজিন্দুনা থল্লুবা থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা অসাম রাইফলসকী জৱান ২০০ রোম্না দিমাপুরদগী হেব্রোন কেম্প তাবা লম্বীগী শরুকশিংদা চাইথোক্তুনা লৈখি। লোয়ননা লম্বী অদুদা লাকপশিং ফ্রিস্কিং চৎখি। নুমিদাংৱাইরম অথেংবা ফাওবা অসাম রাইফলসনা চৎখিবা ফ্রিস্কিং মনুংদা এনএসসিএন (আইএম) কিলোন্সর অমা য়াওনা মখোয়গী সেনিয়ার লিদর মরি দিটেল তৌখি। অদুবু কোন্নথংদা থাদোরকখি। এনএসসিএন (আইএম)গী লুচিংবা মরি অদু হেব্রোন কেম্পতা মীটিং য়াওবা লাকপগী লম্বীদা ২৯ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং ৩২ শুবা অসাম রাইফলসকী  কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা ফাখিবনি অমরোমদনা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা নাগালেন্দগী সেমিনয়ু, ৱাখা অমসুং সতাখা এরিয়াদসু থোমজিন্দুনা ফ্রিস্কিং চৎখি। অসাম রাইফলসকী গাড়ী ৭ / ৮ লোম ৱাখাদগী কিচিলিমি তম্না লাক্লবা মতুং এনএসসিএন (আইএম)গী জেদ বি বট্টালিয়ন  অদুদগী ইরাপ লাপ্নদনা লৈরিবা গতাসি দিজিগনেটেদ কেম্পদগী কিলোমিটর ২০ রোম লাপ্না লৈবা সেচুলিমি ভিলেজদা ষ্টেসন তৌদুনা লৈখি। সেমিনয়ুদগী অসাম রাইফলস গাড়ী ১১ রোম দোয়াং ব্রিদজরোমদা লাক্লগা মফম অদুদা গাড়ীশিং চৎথোক চংশিন তৌবা থিংখি। পুগোভোটো অমসুং কোহিমা সার্ভিস তৌরিবা টেক্সি সুমোশিংসু মফম অদুদা লেপহল্লগা মখোয়না লাকপা মায়কৈ অদুদা হনহলখি।

নাগালেন্দ খক্তা নত্তনা মণিপুরদসু অসাম রাইফলসনা এনএসসিএন (আইএম)গী দিজিগনেটেদ কেম্প লৈরিবা এরিয়াশিংদা চংশিন্দুনা কোর্দোন তৌবগী থবক চৎখি। টেন দোর্গা রেজিগমেন্টনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ মনাক্কী পিয়ুলোংদা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী এনপি বট্টালিয়নগী দিজিগনেটেদ কেম্পদা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওকলোং ময়াদা লৈবা হোথোং বৃগেটতনা ৫ শুবা অমসুং ৪৩ শুবা অসাম রাইফলসনা , চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী এসি বট্টালিয়ন অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী কিসিমুং বট্টালিয়নসু অসাম রাইফলসনা থোমজিন্দুনা মখোয়না চৎথোক চংশিন তৌবদা অথিংবা থমখি।

অমরোমদনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা এনএসসিএন (আইএম)গী মোনিটরিং গ্রুপকী চেয়ারমেন য়াওনা ঙসি রঙ্গপাহারদা লৈবা আর্মিগী বেজতা মীটিং চৎখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এনএসসিএন (আইএম)না ফাজিল্লুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল নাইব সুবেদার কেদি টিৱারি, হভিল্ডার সুরন সিংহ, রাইফলমেন রবি, বালভি অমসুং রাহুন কুমারদগী লৌহৌবা একে ৪৭ গী রাইফল ৪, ইন্সাস রাইফল ১, মরু ৩৬০ হন্দোরকপা লৈত্রি। মরকসিদা হেব্রোন কেম্পদা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী লুচিংবশিংনা দিল্লিদা সেন্টরগা মথং রাউন্দগী ৱারী শান্নবা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা মখোয়গী লুচিংবা মুইভা অমসুং ইসাক চি সুদগী করি দিজিসন লাকপগে হায়বদু ঙাইরি। ফিভম অসিনা সিজ ফায়র অসি কায়বা তারগদি করি ফিভম লাকপা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা নাগা তাবা এরিয়াশিংদা মীপাইনরে হায়রি।

মরকসিদা য়ুএনসি অমসুং অন্সমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রিবনা ইন্দিয়া গভনমেন্টকী আর্মর্দ ফোর্সকী চিফশিংনা নাগা প্রোব্লেম অসি পোলিটিকেল সোলুসন দরকার লৈ। মিলিটরিনা ওইরোই হায়বদগী  ইন্দো নাগা ইশু অসিগী  ৱারোইশিন অমা লাক্নবা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী মরক্তা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখিবনি  হায়রি। মখা তানা হায়রিবনা  ২৯ শুবা অসাম রাইফলসনা এনএসসিএন (আইএম)গী হেব্রোন কেম্পতা চংলকখিবদু সিজ ফায়র গ্রাউন্দ রুল থুগায়বনি। লোয়ননা হেব্রোন অমসুং নাগা এরিয়াদা লৈবা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংগী অকোয়বদা য়াম্লবা অসাম রাইফলস পার্সোনেলশিং দিপ্লোয় তৌবা অমসুং এনএসসিএন (আইএম)গী ফঙ্কসনরিশিং দিটেল তৌবসি হকচিন্না লৌই।

চহি ১৫ শুজিল্লক্লবা ইন্দো নাগা পিছ তোক অসি জৱান, ওফিসার খরনা মখোয়গী ওইবা লমচৎ শাজৎকী ইশুশিংদা থিঙ্হল্লে। মীয়ামবু শান্তি লৈনা পুক্নিং লৈতানা লৈননবা হোৎনবদা পার্টি অনিনা  অফবা লম্বী পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।